ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী রেপরটোরি গ্রান্ট স্কিমগী মখাদা পব্লিক থিএটর আর্টিষ্ট এসোসিএসন নম্বোল ফোইজিংনা পুথোকপা 'নাপল অমসুং ভক্তি' গী থিএটর ৱার্কশোপ কম প্রদক্সন লোইশিনবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবশিংবু শকখঙ চে পীদুনা পূক্লিং থৌগৎপা


থম্মোয় পাউদম : তাবা ৱাগদবা, তম্নীংদবা পাউ অমা ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ মীওইবনা মহৌশাগী খোঙচৎপু শীংনরুবগী মহয় অৱাবনি

ঐখোয় পুম্নমক্না খন্নরগা খুন্নাইসি অফবা ওইনবা হোৎনমিন্নসি ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ 'ইবুধৌ পাখংবগী লাইশঙ অমাঙ-অতা থোকহল্লম্বা ...

সারনগী ইরাংদা চেন্নবা বি জে পি লুচিংবা ফারে ☛ লামায় ৮

লামায় ১২ ☛ ফুটবোল ফোর চেঞ্জ একাদমি মায়থিবা পীরম্লগা...


কোসেমনা লৌবা ক্লাস ত্বেলভ এগজামদা আর্টস ষ্ট্রিমগী ওইনা ফর্স্ট পোজিসন তারকখ্রবা ঈ কে হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয় থোকচোম সৈত্যজিৎপু স্কুল অসিগী সেক্রেটরি পি সরতচন্দ্রনা অচম্বা খুদোল পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখিবা




Vol. 48, Issue No. 052 | ইরাই, কালেনগী ১৬নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Friday, May 24, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00


# লোক সভা মীখল অসি লৈবাক অসিগী দেমোক্রেসি ১সুং কন্সটিট্যুসন কন্নবা মরু ওইবা ইলেক্সননি : সোনিয়া গান্ধী

ন্যু দেল্লী, মে ২৩ (এজেন্সী) : মমাঙ থাগী ১৯দগী হৌরদুনা থেঙ্খাং নাইনা পাঙথোরক্লিবা হন্দক্কী ১৮শুবা লোক সভাগী মীখল অসি ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসি অমসুং কন্সটিট্যুসন কন্নবগীদমক য়াম্না মরু ওইবা ইলেক্সননি হায়না থা অসিগী ২৫দা পাঙথোক্কদবা ৬শুবা ফেজদা ভোট থাদনগদৌরিবা দেল্লীগী ভোটরশিংদা হান্নগী কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা ফোঙদোক্লদুনা আই এন দি আই এগীদমক ভোট খোমখ্রে।

পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি তরেৎ লৈরিবা লৈবাক অসিগী নেসনল কেপিটেল দেল্লীগী মীখলগী মাঙওইননা ঙসি মহাক্না মশাগী সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্ম 'এক্স' তা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা চত্থরক্লিবা লোক সভাগী মীখল অসি হন্দক্কী ওইনদি লৈবাক অসিগী দেমোক্রেসি অমসুং কন্সটিট্যুসন কলহৌনবগীদমক পাঙথোকপা য়াম্না মরু ওইবা ইলেক্সননি। মীখল অসি আই এন দি আই এগী মায়কৈদগী লৈবাক অসিদা লৈরিবা অন এমপ্লোইমেন্ট, ইনফ্লেসন অমসুং কন্সটিট্যুসনেল ইন্সটিট্যুসনশিংদা চত্থরক্লিবা এটেকশিংগী মায়োক্তা থেংনবা মীখলনি হায়খি।



মরম অসিনা দেল্লীগী পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি তরেৎতা লৈরিবা ভোটরশিংনা মশা-মশাগী থৌদাং লৌদুনা মীখল অসিদা শরুক য়াগদবনি। ভোটরশিংনা আই এন দি আই এগী মীরেপশিংদা পীরকপা ভোট অদুনা লৈবাক অসিগী থবক ফংদ্রিবা নহারোলশিংদা থবক ফংহনগনি, নুপীশিংগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহনগনি, ইনফ্লেসন হন্থহনগনি অমসুং লৈবাক অসিগী মীয়াম মান্নবা থাক্তা পুরক্তুনা অরংবা তুংলমচৎ অমা শেম্লক্কনি হায়খি।

মরম অসিনা দেল্লীগী পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি তরেৎমক্তা মীখল থেংনরিবা কোংগ্রেস অমসুং আই এন দি আই এগী চুংশিন্নবা মীরেপশিংনা ভোট মশীং য়াম্না হেন্না মায় পাকহনবীরকউ হায়খি।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ২৫দা পাঙথোক্কদৌরিবা দেল্লীগী লোক সভা মীখলগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা পীবা গাইদলাইনগী মতুংইন্না ভোট খোম্বগী থবক ঙসিনা অরোইবা নুমিৎ ওইরিবনি।

অমরোমদা, এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা দেল্লী লিকর স্কামগা মরী লৈননা লৌখৎপা কেসতা ফাদুনা জেলদা থম্লকখিবা দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালসু সুপ্রিম কোর্টনা ইন্টরিম বেল পীরকপদগী দেল্লীগী মীখল অসিগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা বি জে পিগী মীরেপশিং মায়থীবা পীনবা এ এ পিগী লুচিংবশিংগা খূৎশম্নদুনা অকনবা কেম্পেয্যন চত্থরকখিবনি।

রিক্রুটমেন্টদা অশোয়বা লৈরে ৱাকৎলবসু এক্সন লৌখৎলক্ত্রে

# মাহুদ মিনিষ্টর অমদি কম্মিস্নর মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোক্কদবনি : কে এস এ

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচএনএস) : মণিপুর লৈঙাক্কী মণিপুর হাউজিং এন্দ অর্বান দিভেলপমেন্ট (মাহুদ) কী মখাদা লৈরিবা টাউন প্লান্নিং দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট টাউন প্লান্নর অমদি এসিষ্টেন্ট আর্কিটেক্ট লৌবগী রিক্রুটমেন্ট প্রোসেসতা য়াম্না চাউনা অশোয়বা লৈরে হায়দুনা লূপ অসিনা মীয়ামদা খঙহনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস অসি ককথৎনবা চীফ সেক্রেটরি অমদি মাহুদ মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল অমা থা অসিগী ৭তা পীশিনখ্রবসু ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোরক্তবা হায়বসি খ্বাইদগী লাইবক থীবনি হায়রদুনা মাহুদ মিনিষ্টর অমসুং লোয়শঙ অসিগী কম্মিস্নর মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোক্কদবনি হায়না কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ) না দিমান্দ তৌখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি নুংথিল খুয়াথোংদা লৈবা কে এস এগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহৈরোয় লূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি




সঞ্জয় খুল্লাকপমনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, এম পি এস সীনা লৌফম থোকপা গেজেট পোষ্ট ওইরিবা এসিষ্টেন্ট টাউন প্লান্নর অমদি এসিষ্টেন্ট আর্কিটেক্ট হায়রিবা পোষ্ট অনী অসিবু থবক লৌবগী মতম অদুদা এম পি এস সীগী চেয়রমেন লৈতবগীনি হায়দুনা খুদোংচাবা লৌদুনা দিপার্টমেন্ট মশানা রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস চত্থরগা রিট্রুন ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লৈখিদবা বাংলাদেশকী এম পিদু লুপা ক্রোর ৫ পীরগা খূৎনেক্তা হাৎহনবা ওইরম্লে



কোলকটা, মে ২৩ (এজেন্সী) : থা অসিগী ১২দা লৈবাক অসিদা থুংলরবা মতুং মথংগী নুমিৎতগী মরী-মখোঙ ফংবা ঙমদনা লৈরকখ্রবা মতুংদা অশিবা হকচাং ওইনা ফংখিবা বাংলাদেশকী রুল্লিং অৱামি লীগকী এম পি অনৱারুল অজিম অনারবু চহী কয়াগী মমাঙদগী মহাক্না তিন্নরকখিবা মমান্নবা অমনা লুপা ক্রোর ৫ পীরগা খূৎনেক্তা হাৎহনবা ওইরম্লে হায়না ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সিনিয়র পুলিস ওফিসর অমনা পাউগী এজেন্সী অমদা ফোঙদোকখ্রে।

পুলিস ওফিসর অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মীহাৎ অসিগী মতাংদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন দিপার্টমেন্ট (সী আই দি) না কেস অমা লৌখৎতুনা ইনভেষ্টিগেসন ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## মণিপুরদা অনা-লায়েংগী হীদাকশিংবু ময়াই কাবা দ্রগ ওইনা শীজিন্নবগী চাং হেনগৎলক্লে

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচএনএস) : অনা-লায়েংদা শীজিন্নবা হীদাকশিংবু ময়াই কাবা পোৎলম দ্রগ ওইনা শীজিন্নবগী থবক লমদম অসিদা হেনগৎলক্লে। অরুবা অনাবগী পেসেন্টশিংনা হীদাক ওইনা চানবা ফংদবা য়াওরক্লবসু ময়াই কাবা পোৎলম ওইনা শীজিন্নবগীদি দ্রগ লোর্দ অমদি দ্রগ কার্টেলশিংনা অতোপ্পা লম্বীদগী য়াম্না লায়না ফংহল্লি হায়না মণিপুর কেমিষ্ট এন্দ দ্রগ্গিষ্ট এসোসিএসন (এম সী দি এ) গী জেনরেল সেক্রেটরি থোকচোম দিজমনিনা নুংনাংবা ফোঙদোরক্লি।

ৱাফম অসি ঙসি নুংথিল ইম্ফালগী বি টি রোদতা লৈবা গম্ভির সিংহ শোপ্পিং আর্কেদতা লৈবা এম সী দি এগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা অমদা দিজমনিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মণিপুরদা অনা-লায়েংগী শীজিন্নগদবা হীদাকশিং ময়াই কাবা দ্রগ ওইনা শীজিন্নবা হেনগৎলক্লে। হান্নদগীসু অদুম শীজিন্নবগী অৱাবা লৈরিবনি। ওইরিবা ফীভম অসিদা দ্রগস এন্দ কেমিষ্ট রুলস, ১৯৪৫গী সেদ্যুল এক্স অমদি ঐচ১গী মনুং চনবা ময়াই কাবা পোৎলম ওইনা শীজিন্নবা

### পেসেন্টশিংনা চাগে ফংদ্রবসু দ্রগ কার্টেলশিংনদি য়াম্না লায়না ফংহল্লে

য়াবা হীদাকশিং লাইসেন্স পায়রিবা হোলসেলর অমদি রিটেলরশিংনা থম্না ফাওবা কিনরে। হায়রিবা হীদাকশিং অরুবা অনাবগী পেসেন্টশিংনা মথৌ তাবা ওইবনা ডাক্তরগী প্রেস্ক্রিপসন য়াওরগা অমদি অকুপ্পা গাইদলাইন কয়া ইন্দুনা য়োনবনি। মথৌ তাবা পেসেন্ট অমনা চাগে হায়বদা ফংদদুনা ফার্মাসি ফম্বা অমদি হীদাক য়োনবা মশেল হংনবদা অৱাবা অমা ওইরে। অদুবু দ্রগ কার্টেল অমদি দ্রগ লোর্দশিংনা ময়াই কাবা পোৎলম ওইনা শীজিন্নবা হীদাকশিং য়াম্না লায়না ফংহল্লি।

নাকল অমরোমদা, লাইসেন্স পায়বা হোলসেলর অমদি রিটেলরশিংগী মরক্তগীসু চাদা অমা নৎত্রগা অনীসু ময়াই কাবা পোৎলমশিং ওইনা হীদাকপু লল্লোনবদা য়াওবনা লাইসেন্স পায়দুনা হীদাক য়েল্লিবশিং পূম্নমক মীংচৎ থীহল্লি। এসোসিএসন অসিদা য়াওদবা ওইরবসু করিগুম্বা ফার্মাসিশিংনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## দিফেন্স ৱিটনেসকী এগজামিনেসন পাঙথোকখ্রে

### মিনিষ্টর বিশ্বাজিৎকী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচএনএস) : কুমজা ২০২২দা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা থোংজু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী কারক্তুনা হৌজিক মিনিষ্টর ওইরিবা থোঙাম বিশ্বাজিৎকী মথক্তা মীখল অসিদা মহাক্না লম্বা তৌনখিবা সেরাম নেকেননা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৪ ওফ ২০২২গী লেপ্পুনা চত্থরক্লিবা ৱায়েলদা ঙসি এদভোকেট কম্মিস্নরনা কেস অসিগী দিফেন্স ৱিটনেস নম্বর ৭ ওইরিবা সোরাম সসিকান্তগী এগজামিনেসন পাঙথোকখ্রে।

অদুগা মখা তানা এগজামিনেসন তৌগদবা ৱাৎহৌরিবা কেস অসিগী দিফেন্স ৱিটনেসশিং মথং থাগী ৬কী নুংথিল পুং ১ তারকপদা কোর্ট নম্বর ৬তা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, পিটিস্নরনা মরম কয়া পীরদুনা ইলেক্সন অদুগী রিজল্ট অদু চংনহনবীগনু হায়জরকখিবনি।

লাননা শেন্মীৎলোন খম থেংনা শোকহল্লবা মণিপুর

## তর্বুজ থারুবা লৌমীশিং য়োনবা শিংতবগী অৱাবা মায়োক্লরে

### অথুবা মতমদা জুইস শেম্বীবা কম্পেনি অমনা লৌশিনবীরবদি অৱাবা খরমখৈ কোক্কনি : কিরন



গ্যানন্দ নাওরেম

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচএনএস):

মীপাল তাংদবা ইরমদম মণিপুর অমা ওইহন্নবগীদমক মণিপুরগী লৌমী কয়ানা কুম্বী কালেন নাইদনা শেল চঙনা, পাঙ্গল ৱানা হোৎনদুনা লাক্লি। মণিপুরগী মনুংদা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ককচীং খুনৌগী লৌমী কয়ানা খরিফ লৌরোক্কী মহৈ-মরোং, মনা-মশিং কয়া থাদুনা মাগী-মাগী ইমুং-মনুংগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবতা নত্তনা লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদা মতেং পাংদুনসু লাক্লি।

মণিপুরদা থোকখিবা কাঙলূপকী লান অসিনা মরম ওইরগা শূফম-নোংফম লৈরক্তবা, চাদ-থক্তবদি য়ারক্তবনা ককচীং খুনৌদা মমাঙ চহীশিংদা খরিফকী লৌরোক্তা মহৈ-মরোং, মনা-মশিং থাবগী চাং অসি হন্দক্কী চহী অসিদনা খংহেন হেনগৎলক্লি।

ককচীং খুনৌগী লৌমীশিংনা মুকলাং শন্দুম্বা লৌকোন, পুম্পাক লৌকোল, চিংহাও লৌকোন, দোলাইথাবী লৌকোন, তোলাং লৌকোন, মোইরাং কোম লৌকোন, মীনাইজিংগী অকোয়বদা লৈরিবা লৌকোনশিং অমদি অৱাং লৌকোননচিংবা লৌ পরি ৫০/৬০ ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## ঙসি অয়ূক পুং ৭তগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা মৈ ফংলোই

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচএনএস):

এম এস পি দি সী এলগী আই ঈ দি-২গী মেনেজর (টি এস দি) মাইবম সিল্লাকান্তনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা হয়েং অয়ূক পুং ৭তগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ তারকপা ফাওবা য়ুরেম্বম সব ষ্টেসনদগী মৈ পীরিবা ১১ কে ভি ইষ্টর্ন-১ ফিদর, ব্রিক ফিল্ড ফিদর, ...মখা লমায় ৩ কলম ১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

**HL Poll**

Q : Lou ubagi matam youraklabani na leingakna vulnerable areada leiba loubuksing panba ngamnaba thourang loukhatpham thoktabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q : Pallelda mahousagi phibam hanjillakpa houre hairubani haiba naha ani phudakhribasigi matangda Policena case loukhatpham thoktabra?

Yes 83% No 17%

## লান লোইদ্রিবনিনা লৌ উবদা খুদোংচারোইদবা লৌমীশিংগীদমক কোকোমি ফার্মরস ৱিংনা খন্ন-নৈনগদৌরি

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচএনএস) :

হৌখিবা মমাঙ চহীগী মে ৩দগী চত্থরকখিবা চিন কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মীতৈ মীয়ামদা অতম্পনা অফোংবা লান অসি ঙসি চহী অমা হেঞ্জিল্লক্লবা ফাওবদা ৱারোইশিন লৈতনা মীয়ামদা চাউনা চৈথেং কয়া পীরক্লি হায়না কোওর্দিনেসন কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি) গী ফার্মরস ৱিংগী কনভিনর কে থোইবা মীতৈনা ফোঙদোকখ্রে।




ৱাফম অসি ঙসি নুংথিল লম্ফেল সনাকৈথেলদা লৈবা লূপ অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না মখা তানা হায়, লান অসিনা মরম ওইদুনা হৌখিবা চহীদা লৌমী কয়ানা লৌ পান্নবা হোৎনবদা অয়েৎ অপন কয়া মায়োক্লখিবনা লৌফম কয়া লৌ পানবা ঙমখিদে। কুমসি চহী অসিগী ওইনসু লৌউ পান্থা য়ৌশিল্লক্লে অদুবু থোক্লিবা ঈরাং অসিদি লোইশিন্দনা লৈবনা মরম ওইরগা লৌ পানবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈগদ্রা হায়বগী নুংনাংবা অমা তম্পাক্কী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## লোক-অপতগী মীওই ১ চেনখিবগী মরালদা থবক থদংখিবা ভি দি এফ ১ হঞ্জিলহন্নবা হায় কোর্টনা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচএনএস) : জন্যুৱারী ২, ২০২১দা থৌবাল পি এসকী লোক-অপতগী নাওরেম রোমেন এলিয়জ ননাও কৌবা অফাবা মীওই অমা নান্থোক্তুনা চেলহনখি হায়বগী মরালদা নুমিৎতুমক্তদা সর্ভিসতগী লৌথোকখিবা ভি দি এফ পর্সনেল অমবু অমুক হন্না থবক হঞ্জিলহন্নবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা খঙহনখ্রে।

নুমিৎ অসিদা থৌবাল এস পিনা থোকপা ওর্দর অমগী মতুংইন্না থবক্তগী লৌথোকখিবা ভি দি এফ পর্সনেল অদুগী মমিং এম দি জাকির হুসেন (৩৬) অপোকপা খোমৈ কৌই, শঙ্গাইয়ূম্ফম নুংফৌ মমাঙদগীনি। মহাক্কী থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ভি দি এফ নম্বরনা ১১৮৫নি।

অফাবা মীওই অমা লোক-অপতগী চেনখিবা নুমিৎ অদুদা মহৌশাগুম্না মহাকপু কম্মান্দর অমগী মখাদা থৌবাল কৈথেলদা মথৌ পাঙথোক্লবা এসাইন তৌখি হায়রি।

দ্যুটি অসি এসাইন তৌবগী মথক্তা মহাকপু সন্ত্রিগী গেটতা মথৌ পাঙথোক্লবা অমসুং লোক-অপ য়েংশিন্নবসু খঙহনখি হায়রি। অদুবু মহাক্না মথৌ পাঙথোক্লবা হোৎনরকপদা মহাক্কী কম্মান্দরসু এবসেন্ট ওইখিবগা লোয়ননা থৌবাল পি এসকী অকোয়বদা খারিবা ৱাল/ফেন্সিংগী ফীভম ফত্তবগী খুদোংচাবা লৌরগা মীওই অসি লোক-অপতগী চেনখিবনি হায়রি।

চেনখিবা মীওই অসি অমুক হন্না তান্নদুনা ফাবা ঙমখ্রবসু মঙোন্দা করিমত্তা খঙহল্লমদনা ময়ূমদা থা ৩/৪ লৈহল্লবা মতুংদা থবক লৌথোকপগী ওর্দর ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## কোর্টকী ওর্দর ভাইওলেট তৌরকপগী থৌওং চত্থবীগনু : এম এস এস

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচএনএস) : রিমসকী সিক্যুরিটিগা লম্ফেল খুনৌদা লৈরিবা নুপী গ্রুপ খরগা ইন্সটিট্যুট অসিগী নোর্থ ইষ্টর্ন সাইদতা লৈবা এস আই বি গেট হায়না খঙনবা মফম অসিদা অচৌবা থৌদোক অমা থোকখ্রে হায়না মণিপুর সিক্যুরিটি সর্ভিস (এম এস এস) কী প্রসিদেন্ট এল মনিহারনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মসি মরু ওইনা ...মখা লমায় ৯ কলম ১

## ঈরাং হৌরকপদগী য়ূমথংননা লৈমিন্নরিবা চীংমী অমগী য়ূমদা লোৎতুনা লৈজগে হায়দুনা চেনশিল্লুবদা অয়াবা পীরকখিদে : এলাংবম খোয়োন

### হকথেংনবা পাউদম

*সাইকোটতগী খুঙ্গা অমা*

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচএনএস)

মশামক বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী খা পোৎশংবমদগী ওইজরবসু হিংনবগী লানফমদা শেন্থোক লম্বী লৈরক্তবদগী অপোকপা মপাগী মতমদগী হৌরদুনা চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী সাইকোট খুলদা চীংমীদগী অশানবা লম ৱাইরগা য়ূম-কৈ শাদুনা ইস্কোল কোইবা অমসুং শা-ষণ য়োক্তুনা হিংজরকখিবদগী মে ৩, ২০২৩দগী খঙহৌদনা হৌরকখিবা তমথীরবা লাননা ময়ূম মকে মৈ থাদোরকপদগী চেল্লক্তুনা হৌজিক বিষ্ণুপুরদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম



লৌদুনা লৈরক্লিবা এলাংবম খোয়োন (৪৫) না পাউচে অসিদা হায়, চূড়াচান্দপুরগী সাইকোটতা অদুক কুইনা লৈরকপদা লৈঙাক্কী থবক তৌবা ফংদ্রবসু ষণ ১৫ মুক লোয়খি। মসিদগী ফংলকপা শঙ্গোমশিং অদুখক্তা য়োনবদা ইমুংগী মকুপ-মতা, লৈকায়গী পোৎয়েং-চায়েং অমদি ইচাশিংগী মহৈ-মশীন তমহনবগী অৱাংপা লৈহন্দবা ঙম্লকখি। মসিদা নত্তনা মীগী অশানবা লৌ উরগা চহীগী ওইনা ফৌবোৎ ১০০গী ময়াদা লেম পানা হাপ্পা ঙমখি।

ষণ লোয়দ্রিঙৈ মতমদনা চেক্কী য়ূম শাবা য়াওবা চৎলম্মী। অদুগা মসিদগী ফংলকপা শেলশিংদু তুংশিঞ্জরগা ষণশিং লৈদুনা লোয়বা হৌরকখিবনি। ষণ ১৫ লোয়রকপদগী ইমুংগী অৱাৎ অপা মেনখৎপা ঙমজরে খনবা হৌরকপা তাঞ্জাদুদা কুকিশিংনা ঐখোয়বু তাম্থোকপীরক্লিবসি নুংঙাইতে। হৌজিক্তি লাইবক থীবনা ইরাল লৈজদ্রবসু মীতৈ মচা ওইরুবনা কুকিশিংনা তান্থোরকপদগী রিলিফ কেম্প অসিদা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লি।

কেম্প অসিগী ভোলন্টিয়রশিংনা ঐখোয়বু অঙম্বা থাক্তা অৱাৎ অপা লৈহন্দনবা অমসুং নুংঙাইনা লৈনবা হোৎনবীরি অদুবু শূর-নোম্লগা হুমাং মমলদগী ফংলকপা শেলনা নুংঙাইজবা পূন্সি ওইরকখিবনিনা মফম অসিদা করিসু শূফম-নোংফম লৈতদুনা লৈঙাক্না পীরকপা খরা চারগা লেল্লক্লিবা অসিদি অদুক্কী মতিক কুইরক্লে। মীওইবা কৌবনিনা লৈঙাক্না পীরক্লিবশিং অদু তোয়না চাশিল্লক্লবসু চানীংলক্তবা, ...মখা লমায় ৩ কলম ২


## অস! লোইরেহে!

- নুমীৎ নকশিল্লকপনা চাউবা হেনগৎপ্রা কৈনোম তৌরে!



- চাইনানা নুমীৎ ১ শাগনি হায়বদু শারজাংলা?


## প্রাইভেট নামোইজম সনাতোম্বা লৈখিদবদা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ২৩ : মণিপুর পিপলস আর্মি (এম পি এ) গী লাল্লোই প্রাইভেট নামোইজম গোল্লাই এলিয়জ সনাতোম্বা এলিয়জ অবোই মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা লৈখিদবদা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফ অমদি মসিগী লাম্নী শঙলূপ এম পি এনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি অমদি লৈখিদ্রবা



নীংতম লাম্নী অসিগী মফমদা য়াওলগী ইকায়খুম্নবা পীজরি হায়না পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী মীদিয়া কোওর্দিনেটর চরাইরোংবা থোকচোমগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ইতাও সনাতোম্বা এলিয়জ অবোই ফৌগাকচাও ইখাই মখা লৈকায়, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা নামোইজম তোনসনা অমদি লৈখিদ্রবা নামোইজম ওংবী তোম্বী অনীগী ...মখা লমায় ৯ কলম ১


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫